**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১০ শুবা অমসুং ১১ শুবা আই.আর.বি পর্সনেলশিংগী পাসিং আউট পেরেদ ঙসি অসামদা পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- জৱানশিংনা ইমুং মনুং, মরুপ মপাংশিংগা ৱারী শান্নদুনা হান্নগী অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা মণিপুর অদু অমুক হল্লকবা হোৎনগদবনি।

২) মণিপুরদা ঙসি গুদ গভর্নান্স ৱিক তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকখি।

৩) আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি- য়ুনেস্কোনা শকখঙলবা হেরিতেজ সাইট লিশিং ১,২২৩ গী মনুংদা মণিপুরগী ৬৫ য়াওরি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি অমা মখায় অসিদা নহাশিংদা সরকারগী থবক লাখ ১০ হেন্না পীখ্রে।

অমসুং

৫) মণিপুরনা ২৯ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ লৌরে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ্ ঙসি অসামগী দেরগাউদা লৈবা লচিট বরফুকন পুলিস একাদেমিদা ত্রেন্নিং তৌরিবা ১০ শুবা অমসুং ১১ শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বত্তাল্লিয়ন (আই.আর.বি) পর্সনেলশিংগী পাসিং আউট পেরেদতা শরুক য়াখি।

ঙসিগী পাসিং আউট পেরেদ অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ্না নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদ অমগী সলামি ওকখি। থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মবু ত্রেনিং অসি তৌবা য়ানবা খুদোংচাবা পীবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী বিরেন্না হায়- ঙসি পাস আউট তৌরিবা জৱানশিংনা অসামগী দি.জি.পি য়াওনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিয়েলশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎলমগদবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী সরকারগী অহানবা টার্মদা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা মণিপুরগী শাংলবা নেসনেল হাইৱেশিং অসি ঙাকনবা হাইৱে প্রোটেক্সন ফোর্স শেমনবা হায়জরুবদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা হাইৱে প্রোটেক্সনগী ওইরবদি অতৈ রাজ্যশিংনসু হায়রকপা লৈবনা আই.আর.বি. বত্তাল্লিয়ন ওইনা লিংনবা হায়রকপদগী বত্তাল্লিয়ন অনি অসি লিংবদা অয়াবা পীরকখিবনি। মহাকা হায়- কোবিদ নাইন্তিন্না মরম ওইদুনা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা খরা থেংথহল্লবসু কোবিদ লোইরবা মতুংদা থুনা থবক পায়খৎপা হৌখি। শ্রী বিরেন্না হায়- মণিপুরগী ফিভম য়ামা লুরি। অদুমওইনমক, মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা মতম চংখিগনি, হৌজিক তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লকপা হৌরে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক অসামদা ময়াম পুন্না লৈমিন্নরিবা অসিগুম্বা মণিপুরদা হল্লবা মতুংদসু অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নগদবনি। মহাকা হায়- জৱানশিংনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং, মরুপ মপাংশিংগা ৱারী শান্নদুনা হান্নগী অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা মণিপুর অদু অমুক হল্লকবা হোৎনগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা পাস আউট তৌরবা জৱানশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা দেরগাউগী এম.এল.এ, অসামগী দি.জি.পি, মণিপুরগী মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং শরুক য়াখি। লচিত বরফুকন পুলিস একাদমিদা চহি অসিগী জনুৱারি ২৯ দগী নৌনা খল্লবা পার্সোনেল লিশিং ১,৯৮৪ ত্রেনিংগীদমক

একাদমি অসিদা রিপোর্ট তৌরকখি। মসিগী মনুংদা মীওই লিশিং ১,৯৪৬ পাস আউট তৌখি।

গুদ গভর্নান্স (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকপা গুদ গভর্নান্স ৱিককা মরি লৈননা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু নুমিৎ অসি পাঙথোক্লি।

নোনে এদমিনিষ্ট্রেতিভ রিফোর্ম অমসুং পব্লিক গ্রিভান্সেস দিপার্টমেন্টকী মখাদা দিসেমিনেসন ৱার্কশোপ ঙসি নোনেদা হৌখ্রে। নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমার শরুক য়াখি।

ককচিং জিলাদসু এস.দি.ও ককচিংনা শিন্দুনা মসিগী ওফিসতা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোল হাংদুনা ওফিসশিংনা পীরিবা খুদোংচাবশিং মীয়ামদা ফংহনখি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা প্রসাসন গাউনকী ওর হায়বা কেম্পেনগা লোয়ননা মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল. বিক্রম সিংহনা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোং শিন্দুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কেম্প ওফিসতা ঙসি গুদ গভর্নান্স ৱিক পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রংনামৈ রং পিতরনা গুদ গভর্নান্স নুমিৎ পাঙথোকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

থৌবাল জিলাদসু গুদ গভর্নান্স ৱিক থৌরম দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী কাউন্সিং হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস ওফিসার টি. রঞ্জিৎ সিংহ অমসুং দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাস সিংহ

শরুক য়াখি। ৱার্কসোপ অদুগা মরী লৈননা হকশেল, শিক্ষা অমসং কৃশি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পৱার প্রজেন্টেসন উৎখি।

জিরিবাম (এল)ঃ মমাং থাগী তাং ১১ দা জিরিবামগী জাকুরাধোর কারোং অমসুং বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী পোষ্ট অমদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরকখিবা অদুগা মরী লৈননা মমাং থাগী ২৫ দা রাজ্যগী হোম বিভাগনা জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা মেজিষ্ট্রিয়েল ইনক্বারি চখনবা খণ্ডহনখিবা অদুগা মরী লৈননা এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবামগী কোর্ট রুমদা ইনক্বারি চখরগনি। এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবাম, টি.ঐচ. মনোরঞ্জন সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কনাগুম্বা মীওইশিংনা মশানা য়ানা হিরম অসিগা মরী লৈননা জবান পীনিংলবদি অচম্বা চেবাং অমদা মশাগী মমিং, মমা মপাগী মমিং, লৈফম, চহিনচিংবা মথং থাগী ১০ ফাওবদা পীখৎলকবা খণ্ডহল্লক্নি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড হেরিতেজ ৱিক ২০২৪ ঙসি ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা লৈবা কংলা হোলদা হৌখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজি বিভাগনা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী মখাদা শিনবা থৌরম অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় অমসুং দাইরেক্তর কে. দিনামনি সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী এম. জোয়না মীয়ামদা হেরিতেজগী মরুওইবশিং খঙহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়- ৱার্ল্ড হেরিতেজ য়োকখৎনবা অমসুং ঙাক্তুনা থমবা য়ুনেস্কোনা লৌরিবা থৌদাং শিংথানিঙাইনি। শ্রী জোয়না হায়- হেরিতেজ হায়বসি কলচরেল অমসুং নেচরেল হেরিতেজ হায়না মখল অনি থোকা খায়দোক্লি। কলচরেল হেরিতেজদা ম্যুজিয়ম, মোন্যুমেন্টস, আর্টিফেক্স, কলা সংস্কৃতি, শান্ন-খোৎনবা, জগোই ঈশৈ অমসুং খুৎ-শা হৈবা য়াওরি। অমরোমদনা নেচরেল হেরিতেজদা চীংশাং পরেং, পাৎ অমসুং অকোইবগী খলশিং য়াওরি। মহাকা হায়- হেরিতেজ হায়বসি

অমুক হন্না শিন্দোকপা য়াররোইদবা অমসুং মীয়ামদা পুকিং থৌগৎকদবা পোৎশকনি। শ্রী জোয়না হায়- মালেমগী ওইনা য়ুনেস্কোনা শকখঙলবা হেরিতেজ সাইট লিশিং ১,২২৩ লৈ। মসিগী মনুংদা মণিপুরদগী ৬৫ য়াওরি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা প্রোটেক্তেদ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্টস অমসুং আর্কিওলোজিকেল সাইটস ৬৫ গী অপুনবা খোমজিনবা চেফোং অমসুং পুথোকখি। ঙসি হৌদোকপা নুমিত্তা মণিপুর লৈবাক শেন্নকপা, চহী তরেট খুন্তাকপা, ফোল্ক লোর অমদি শগোল কাংজৈ হৌদোরকপনচিংবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা এগজিবিসন অমশু পাঙথোকখি।

রুপমহল (এল)ঃ রুপমহল থিয়েতরগী ৮২ শুবা কুমওন থৌরম অমসুং ২৩ শুবা রুপমহল আর্তিস মেমোরিয়েল দ্রামা ফেষ্টিভেল ২০২৪-২৫ ঙসিদগী রুপমহল থিয়েতর ইম্ফালদা হৌখ্রে। থৌরম অদুদা, ৩২ শুবা মৈত্রম বির এৱার্দ- লোইতোংবম ব্রজমোহনদা অমসুং ৩৩ শুবা মৈত্রম বির এৱার্দনা ব্রহ্মচারিময়ুম ওংবী বিনোদিনিদা খুৎশিন্নখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইতেসন অমা, সোল অমা য়াওরি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা জে.এন. মণিপুর দান্স একাদমিগী দাইরেক্তর শ্রী পুখ্রম্বম বিলাস সিংহ অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস ওফিসার কাংজম রাধাকুমার শরুক য়াখি। রুপমহল থিয়েটরগী সেক্রেটরি ঐচ. অচৌবা শর্ম্মনা হায়- ২৩ শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল ড্রামা ফেষ্টিভেল থা অসিগী ২৭ তগী হৌরগা মথং থাগী ১১ ফাওবা চত্থগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা পুন্না সংস্থান ১৬ কী ড্রামাশিং উৎকনি। কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা রুপমহল থিয়েটরগী আর্টিষ্টশিংনা শান্নবা ইকায় খঙদবা মায়থাবা উৎখি।

মনা (এল)ঃ রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোলনা চহি অহুম অহুম খুদিংগী পীগদবা অহানবা ডাঃ ইবোহলবী নিংশিং সাহিত্যা মনা ২০২৪, থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক- চীংনুংগী সনা লোক্তগী হায়বসিদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ২৯ দা খুৎশিন্নগনি।

লাইরিক (এল)ঃ    নোংচুপ হারম খোর্জে লুপ, য়ুরেম্বম মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি অবুজম ইবোপিশক লুৱাংনা হিন্দিদগী  মণিপুরীদা হন্দোকপা কোরিয়াগী ফুঙ্গা ৱারী ফোংখ্রে। লাইরিক ফোংবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর কে. দিনামনি সিংহ্ শরুক য়াখি।

মৈঃ এম.এস.পী.দি.সী.এলনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেদ চখবদা আই.ঈ.দি দিভিজন ৱান্না কোনবা মফমশিংদা মৈ হুৱাল্লগা থাল্লম্বা মীওই ১, আই.ই.দি দিভিজন থ্রিদগী মীওই ৩, পুন্না মীওই ৪ ফারে। এম.এস.পী.দি.সী.এলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মৈগী খাজনা থিরমদবা মীওই ৪ গী ককথৎলে।

সিআরপিএফ (এল)ঃ    সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ৮৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা কাংপোকপী জিলাগী সেহজাং অমসুং থিংখোংজাং খুলদা ঈশিং হাপবা টেঙ্ক অমসুং ফি তুনবা মেছিন খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা বত্তাল্লিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট শৌরব কুমার চৌধুরি শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী নুংসাই খুলদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী হাওচোংদা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা লম-তু শেংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

কলেজ(এল)ঃ   খা মণিপুর কলেজগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমসুং রিছার্স কমিতিনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা পুকিং থৌগৎনিঙাই ওইবা ৱারী ৱাতাই শাবগী থৌরম অমদা পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রিছার্স কমিতিনা ইবা লাইরিক ইম্পেক্স ওন ইনভাইরোনমেন্ট ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াসু ফোংখি।

মোদিঃ     প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি অমা মখায়দা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা সরকারগী থবক লাখ ১০ হেন্না পীখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা নৌনা থবক খল্লবা মীওই লিশিং ৭১ দা

এপোইন্টমেন্ট লেট্টর খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- থবকশিং অসি অরান অহুই অমত্তা য়াওদনা পীবনি অমসুং থবক খল্লবশিং অসিনা কৎথোকপগা লোয়নননা লৈবাক অসিবু সেবা তৌরি। শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়, বিভাগশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংদা সরকারগী থবক পীননবা কেম্পেন চখ্তরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রোজগার মেলা পাঙথোকপনা নহাশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অদু খঙদোকপগা লোয়নননা মখোয়দা শক্তি পীরি। লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং খঙদুনা মখোয়বু মপুং ফানা শিজিন্নবা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকি। মহাক্কী সরকারগী থৌশিল অমসুং ৱারেপশিংনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা থবক পীবা অমসুং মশানা মশাবু থবক পীজবগী অনৌবা খুদোংচাবশিং ফংহল্লে। সরকার অসিনা মেক ইন ইন্দিয়া, আত্মা নিরভর ভারত অভিয়না, ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া, ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়া অমসুং দিজিতেল ইন্দিয়াগুম্বা স্কিম কয়া হৌদোক্লে। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতনা স্পেচগী লমদা থৌশিল থৌরাংশিং হোংদোক্লে। ঙসিদি ভারত অসি মালেমগী ওইনা মোবাইল খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা অনিসুবা লৈবাক ওইরে অমসুং অহুমসুবা খ্বাইদগী চাউবা ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেম ওইরে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেনিংগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়- নৌনা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর পীরবা নহা লিশিং ৭১ অসিগী মনুংদা লিশিং ৫০ দি পেরা মিলিতরি ফোর্সতনি। অদুগা লিশিং ২১ না ও.বি.সিনি।

ডে ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি জাতিগী লৌমীশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। লৌমীশিংনা লৈবাক অসিগী গ্রোথ অমসুং শেমগৎ শাগৎপদা লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু ইকাই খুমবা ওইনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিনা চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দবা, খুঙ্গংগী শেন্মিৎলোন ফগৎহনবা অমসুং লৈবাক অসিগী লৌউ-শিংউগী হেরিতেজ য়োকখত্তুনা থম্বদা লৌমীশিংনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অদুবু অমুক হন্না নিংশিংহল্লি।

লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংগী মরুওইবদু শকখঙবা ওইনা সরকারনা

মখোয়গী খুন্নাই অমসুং শেন্মিৎলেন ফগৎহন্নবা অমসুং লৌউ-শিংউগী থবক চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎলি। থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি কিসান সম্মান নিধি, প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনা অমসুং প্রধান মন্ত্রি কিসান মন্ধন য়োজনা য়াওরি। থৌরাংশিং অসিগী মখাদা শেলথুমগী মতেং, অৱাবা খুদোংথিবা কোকহন্নবা থৌরাং অমসুং তুং কোয়না চৎনগদবা মখোয়না খুন্নাইদা হিংবগী অৱাবা লৈহন্দনবা মতেং কয়া লৌমীশিংদা পীরি। লৈবাক অসিনা কুমসি হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা চাংদা মহৈ মরোংগী পোত্থোক তন মিলিয়ন ৩৩২.২ পুথোক্ত্না মমাং চহীদা পুথোকখিবা তন মিলিয়ন ৩২৯.৭ অদুদগী হেনবা ঙমখি।

জাতিগী লৌমীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা লৌমীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৌমীশিংদা রিসোর্স অমসুং মখোয়না ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং পীদুনা লৌমীশিংবু তেংবাংনবা অমসুং শক্তি পীনবা ঐখোয় ৱাশক লৌরসি। লৈবাক অসিগী য়াংলেন শরু ওইরিবা লৌমীশিংগী কৎথোকপগা লোয়ননা চোকথবা লৈতনা হোৎনরিবা অসিদা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমফম থোকই।

নুমিৎ অসিদা পীবা পাউজেল অমদা রাজ্যগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা হায়-নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না লৌমীশিংবু মখোয়গী নোম্বা কনবা, খাঙবা কনবা অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু চাবা ফংহন্নবা মখোয়গী ফীরেপ অদুদা ইকাই খুমবা উৎলি। লৌমীশিংগী চোকথবা লৈতনা হোৎনরিবা থৌদাং অসিদা মখোয়গী মফমদা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

চরন সিংহ ঃ ভারতকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি চৌধরি চরন সিংহগী মপোক নুমিৎতা লৈবাক অসিগী মীয়ামা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা হায়- চৌধরি চরন সিংহ লাইরবা অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফনবতা খনবা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী কত্থোকপগা লোয়ননা জাতি অসিগীদমক তৌরম্বা থবকশিং

মীয়ামা নিংশিংদুনা লৈরগনি।

অমরোমদা, হান্নগী প্রধান মন্ত্রি পি.ভি. নরাসিমহা রাও লৈখিদবগী কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ ২৯ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৪-২৫ মণিপুর লৌরে।

ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা রাম কৃষ্ণ মিসন আশ্রম গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ২২ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরনা ওরিষাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মণিপুর অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অশেম রোজা দেবীনা সেকেন্দ হাফকী ৫৭ শুবা মিনিত্তা চনখিবনি।

মণিপুরনা ২৩ রক শুবা ওইনা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- চেম্পিয়নসিপ মণিপুরনা অমুক হন্না লৌবা ঙম্বদা শান্নরোইশিং, কোচ অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

অমরোমদা, ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর শন্তোস ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা তেলঙ্গনাবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। হাইদ্রাদকী দেক্কান এরেনাদা শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দ গ্রুপ মেটচতা মণিপুরনা তেলঙ্গনাবু মায়থিবা পীরম্বনি।

শরিৎ শরাক (এল)ঃ  মহারাষ্ট্রদা থা অসিগী ২০ দগী ২২ ফাওবা চখ্খিবা অহানবা নেসনেল জ্নিয়র-সেনিয়র শরিৎ শরাক ফেদরেসন কপ ২০২৪ দা মণিপুরনা সনাগী ৩৩, লুপা ৩ অমসুং শেঞ্জেংগী ২ পুন্না তকমান ৩৮ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা

পাঙথোক্লিবা মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রসক্ষি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.বি.এস.এফ-এনা কামোংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্লেকনা ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

দি.এস.এ. ককচিংনা শিনদুনা চথুরিবা অনিশুবা য়ুথ লিগকী পোইন্ট টেল্লিদা কে.এফ.সি ককচিংনা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ইপসা য়ুমাম লৈকাইনা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদপু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ক্লব ললাম্বুং মখোঙবু ৱিকেট ৪ দা থোহখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকা কে.এ.এস.সি খুমিদোকপু রন ১২৯ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু রন ৯ দা থোইখি।

সিসি (এল)ঃ সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চয়োল অমা চুপা চথুগদবা চহিগা স্পোর্টস অমসুং লিটরেরি মিট ২০২৪ ঙসি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল কে.ঐচ. মেমতোম্বী দেবীনা হৌদোকখ্রে। মিট অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

------